### ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

# টাকুমা অসানোগী অথেংবদা চনখিবা গোলনা জপাননা জর্মনিবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে



### স্পেননা কোষ্টা রিকাবু লাকচনা ৭-০দা মায়থীবা পীখ্রে

কটার,নভেম্বর ২৩ (এজেন্সী):

টাকুমা অসানোনা শান্নবগী ৮৩ শুবা মিনটতা চনখিবা গোলগী মতেংনা জপাননা জর্মনিবু ২-১দা ফিফা ৱর্ল্ড কপকী ঙসি খালিফা ইন্টরনেসনল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ ঈগী অহৌবা মেটচতা মায়থীবা পীখ্রে।

জর্মনিনা জপানগী মখূৎতা মায়থীখিবা অমদি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা অর্জেন্টিনানা সাউদি অরাবিয়াগী মখূৎতা মায়থীখিবা অসিনা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০২২গী নুমিৎ নীনি অসিদা খ্বাইদগী অচৌবা নুংঙাইতবা অনী ওইরি।

সাউদি অরাবিয়ানা মেসিগী গোল হন্দোক্তুনা মায় পাকখিবগুম্না গোল অমা পুখরগা লৈরম্বা জপাননা মাইটিজর্মনবু ২-১দা মায়থীবা পীখি। ইলকে গুন্দোগননা শান্নবগী ৩৩ শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী চনখিবা গোলনা জর্মনিনা ১-০দা জপানবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফতা সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা জপানগী রিটসু দোউন অমদি টাকুমা অসানোনা নোর্মেল টাইম লোইগদবা মিনট ১৫ ৱাৎলিঙৈ জপানগী মায়পাকপগী গোলশিং চনখি। রিটসু দোউননা শান্নবগী ৭৫ শুবা মিনটতা ইক্কেলাইজ গোল চল্লবা মতুং অসানোনা শান্নবগী ৮৩ শুবা মিনটতা জপানগী মায় পাকপগী মরুওইবা গোল চনবা ঙমখি।

জর্মনিনা মথংগী মেটচ স্পেনগা থা অসিগী ২৮গী অঙনবদা শান্নরগনি অদুগা মায় পাকখিবা জপাননা কোষ্টা রিকাগা থা অসিগী ২৭কী নুংথিল পুং ৩.৩০দা লম্বা তৌনরগনি।

অমরোমদা, অল জানোব ষ্টেদিয়মদা নোংয়াই মতুংদা শান্নখিবা গ্রুপ দিগী মেটচ অমদা ওলিভর গিরোদনা চনখিবা গোল ২গী মতেংনা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ফ্রান্সনা অষ্ট্রেলিয়াবু ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা অষ্ট্রেলিয়াগী ক্রেইগ গুদৱিননা শান্নবা হৌরকপগী ৯ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনশিন্দুনা ফ্রান্সপু ১-০দা মাংজিল থাখি। এদ্রিএন রেবিওটনা শান্নবগী ২৭ শুবা মিনটতা ইক্কেলাইজ গোল চনশিন্দুনা স্কোর ১-১দা লৈহনখি। টিম অনীনা স্কোর মান্নরবা মতুং ওলিভর গিরোদনা শান্নবগী ৩২ শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৭১ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনবা ঙমখি। কিলিয়ন এমবাপ্পেনা শান্নবগী ৬৮ শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি।

দিদিয়র দেসচেম্পগী ফ্রান্সনা দেনমার্ককা থাংজ নুমিৎতা শান্নরগনি। নুমিৎ অসিমক্তদা অষ্ট্রেলিয়ানা টুনিসিয়াগা লম্বা তৌনরগনি।

অমরোমদা, ঙসি নুমিদাং অল থুমামা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ ঈগী মেটচ অমদা স্পেননা কোষ্টা রিকাবু লাকচনা ৭-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

দেনি ওলমোনা শান্নবা হৌরকপগী ১১ শুবা মিনটতা স্পেনগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মার্কো এসেন্সিওনা শান্নবগী ২১ শুবা মিনটতা স্পেনগী অনীশুবা অমদি ফরান টোরেসনা শান্নবগী ৩১ শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫৪ শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিনবা ঙমখি।

গাবি, কার্লোস সোলর অমদি অলভারো মোরাটানা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৭৪, ৯০ অমদি ৯০+২দা স্পেনগী মায় পাকপগী ৫শুবা, ৬শুবা অমদি ৭শুবা গোলশিং চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা অল বেইট ষ্টেদিয়মদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম শান্নখিবা গ্রুপ এফকী অহানবা মেটচতা মোরোক্কো অমদি ক্রোএসিয়া গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে।

**TODAY'S MATCHES**

| | |
|---|---|
| GRP-G - Switzerland vs Cameroon | (3:30 PM) |
| GRP-H - Uruguay vs South Korea | (6:30 PM) |
| GRP-H - Portugal vs Ghana | (9:30 PM) |
| GRP-G - Brazil vs Serbia | (12:30 AM) |

### ১৪শুবা মণিপুর ইন্টরনেসনল পোলো

# য়ূম্বু মণিপুরনা আই পি এ (ইন্দিয়া-এ) মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল,নভেম্বর ২৩(ঐচএনএস):

মণিপুর হোর্সরাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ১৪শুবা মণিপুর ইন্টরনেসনল পোলো টুর্নামেন্ট ঙসি ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ূম্বু টিম ওইরিবা মণিপুর (ইন্দিয়া-বি)না ইন্দিয়ন পোলো এসোসিএসন (ইন্দিয়া-এ)বু ৮-৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

শান্নবা হৌরকপদগী মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা খূদুম চন্না শান্নবগা লোয়ননা পিওজিৎনা অহানবা চক্করগী শান্নবগী ১.৫৮দা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা শান্নবগী ২.০০দা মণিপুরগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। এল অতাঙবনা শান্নবগী ২.১১দা মণিপুরগী অহুমশুবা গোল চনখি।

আই পি এগী কেপ্টেন মেজর অমন সিংহনা শান্নবগী ৬.২০দা ইন্দিয়া-বিগী একাউন্ট হাংদোকখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা কেপ্টেন টি প্রদিপকুমারনা মণিপুরগী গোল অমগা হাপচিন্দুনা ইন্দিয়া-এবু ৪-১দা অহানবা চক্কর লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা চক্কর হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ রনসে পুরোহিটনা শান্নবগী ০.৫৫দা ইন্দিয়া-এগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ঙাইহাক লৈরগা এল অতাঙবনা শান্নবগী ১.১১দা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনখি। অদুগা কেপ্টেন টি প্রদিপনা শান্নবগী ১.৩৮দা গোল অমগা হাপচিন্দুনা মণিপুরনা ৬-২দা মাংজিল থাখি।

অহুমশুবা চক্করগী শান্নবদা টিম অনীগা মায়কৈদা গোল অমমম্ চন্নখি। মেজর অমননা শান্নবগী ৬.০৬তা ইন্দিয়া-এগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা চক্কর লোইরমদাই এল থোমসনগী মহুৎতা চঙলকখিবা এল রোহিটনা শান্নবগী ৭.১০দা গোল ১ হাপচিন্দুনা মণিপুরনা মখা তানা ৭-৩দা মাংজিল থাখি।

কেপ্টেন টি প্রদিপকুমারনা মরিশুবা চক্কর হৌরকপগী ০.১৫দা মহাক্কী হেটট্রিক গোল চনশিনবগা লোয়ননা ইন্দিয়া-এবু ৮-৩দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা শগোলশেন নুমিৎতা মেটচ অনী শান্নরগনি। অহানবা মেটচতা ইন্দিয়ন নেভি অমদি য়ু এস এ, অনীশুবা মেটচতা য়ু কে অমদি ইন্দিয়া-এ লম্বা তৌনরগনি।

### সব-জুনিয়র নেসনল বেদমিন্টন

## মার্টিন, রিশবনা দবলসকী ৱিন্নর ওইখ্রে




ইম্ফাল,নভেম্বর ২৩(ঐচএনএস):

ষ্টেটকী শট্টলর মার্টিন ইঙুদম অমদি রিশব ঙাঙোমগী প্যেরনা উত্তর প্রদেশকী লক্ষ্নৌদা থা অসিগী ১৯দগী হৌদুনা চথরিবা সব-জুনিয়র নেসনল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী বোইজ দবলস অন্দর-১৩গী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মার্টিন অমদি রিশবকী প্যেরনা মোহিট দর্শন মহেশকুমার অমদি য়োগেশস্বারন এসকী প্যেরবু ষ্ট্রেট সেট ২-০দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। অহানবা সেটকী শান্নবদা ষ্টেটকী শান্নরোয়শিংনা পোইন্ট ২২-২০, অনীশুবা সেটতা ২৩-২১দা মায়থীবা পীখি।

পনবা য়াবদি, মার্টিন অমদি রিশবকী প্যেরনা সেমীফাইনেলদা নিশান বুকিয়া অমদি অখিলেশ গোড়া সোমাগানিগী প্যেরবু ষ্ট্রেট সেট ২-০ (২১-১৮, ২১-১৬)দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

### অহানবা এম এন সী এ ৱিমেন্স য়ু-১৯

## তেরেসাগী সেঞ্চুরিনা পি টি সী সী পাৎসোই চাওনা মায় পাকখ্রে




ইম্ফাল,নভেম্বর ২৩(ঐচএনএস):

লাইশ্রম তেরেসানা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিংদা বোল ৯২দা থুনা য়াঙনা লৌখিবা রন ১৭৮গী মতেংনা পি টি সী সী পাৎসোইনা এ কে এস দি ও খাঙবোকপু রন ২২২দা চথরিবা অহানবা এম এন সী এ ৱিমেন্স অন্দর-১৯ ৱান দে ট্রোফি ঙসি পাৎসোইগী পি টি আর সী গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

পি টি সী সীনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা অপীবা ওভর ৩৫দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ৩৫৪ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা এ কে এস দি ও খাঙবোকনা ওভর ৩০.০৪দা ওলআউট ওইদুনা অপীবা টার্গেট য়ৌবা ঙমদনা শুপ্পগী রন ১৩২ লৌদুনা পাৎসোই টিমগী মখূৎতা রন ২২২দা মায়থীখি।

মেটচ অসিদা পি টি সী সীগী অহানবা বেটিং তৌবদা থৌদাম মঙালসনানা বোল ৬৮দা রন ৭১, লৌরেম্বম প্রেনানা বোল ১৫দা রন ১৯ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অদুদা খাঙবোক্কী বোলর সোফিয়া সাইখোমনা ওভর ৭ লংবদা ৱিকেট ৩, রবিনা খুন্দ্রাকপমনা ওভর ৭তা ৱিকেট ২ অমদি বিজিয়ানা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসকী খাঙবোক্কী বেটিং তৌবদা টানিয়া নিংথৌজমনা বোল ৮৩দা রন ৪৬ লৌদুনা টিমগী খ্বাইদগী য়াম্না রন লৌবা বেটসমেন ওইবা ঙমখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা পাৎসোইগী বোলর থৌদাম মঙালসনানা ওভর ৪ অদুগা বন্দনানা ওভর ৬ লংবদা ৱিকেট ৩/৩, অঙৌবী খুন্দ্রাকপমনা ওভর ৬ অদুগা সনালু তখেলময়ুম্না ওভর ৫.৪ লংবদা ৱিকেট ২/২ লৌবা ঙমখি।

লোইশিল্লকপদা পি টি সী সীগী লাইশ্রম তেরেসানা বোল ৯২দা রন ১৭৮ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

### অহানবা চীফ মিনিষ্টর সগোল কাংজৈ

## সেমীফাইনেল লাইন অপ লোইখ্রে



ইম্ফাল,নভেম্বর ২৩(ঐচএনএস):

ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসন (অম্পা)না শীন্দুনা কংলাগী মনুং কাংজৈবুংদা চথরিবা অহানবা চীফ মিনিষ্টর সগোল কাংজৈ চেম্পিয়নশিপকী ঙসি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং লোইশিনখিবগা লোয়ননা টিম মরিনা সেমীফাইনেলগীদমক শেম শাবা লোইখ্রে।

অহানবা সেমীফাইনেলদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিএসন অমদি মণিপুর পুলিস টিম অদুগা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা তেন্থা পোলো ক্লব অমদি পেরাদাইজ পোলো ক্লব লম্বা তৌনরগনি। সেমীফাইনেল মেটচ অনীমক শগোলশেল নুমিৎকী নুংথিল পুং ১ অমদি ২দা শান্নরগনি।

মনুং কাংজৈবুংদা ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা পেরাদাইজ পোলো ক্লব ৱাঙ্খৈনা ইকোপ নিংথৌ সগোল কাংজৈ ক্লবপু লাকচনা ২২-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

পেরাদাইজ ক্লবকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মোইরাংথেম অনন্দনা ৯, কোঞ্জেংবম সমানন্দ অমদি কোন্সম প্রেমকুমারনা ৪/৪, নামৈরাকপম ফিলিপনা ৩ অদুগা য়াইখোম প্রিতম মৈতৈ অমদি ক্ষেত্রিময়ুম শান্তিকুমারনা অমমম্ চনবা ঙমখি।

ইকোপ নিংথৌ ক্লবকী গোল অনী অদুনা এলাংবম অমর্জিৎ অমদি ওইনাম নিশিকান্তনা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা এস কুমারনা কাংবুরেল, জি রাজেন্দ্রোনা হন্ত্রে হুনবা, ও চিংলেনসনানা মতম য়েংবা অমদি এম মোহেননা পাঞ্জল ইবা ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ১৮দগী হৌদুনা পুন্না টিম ১৪না শরুক য়াদুনা চথরকখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ২৭তা শান্নরগনি।

### মণি থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ

## য়ু এস সী, আই য়ু এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ২৩(ঐচএনএস):

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা সেকমাইগী এস কে ৱাই সী গ্রাউন্দদা চথরিবা ৫শুবা মনি থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা য়ু এস সী ফয়েংনা পি টি সী সী পাৎসোইবু ৫-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

ফয়েং টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু চলাম্বা অমদি টাইসননা ২/২ অদুগা বিকেশনা অমা চনখি। পাৎসোই টিমগী গোল অনী অদুনা পরমজিৎ অমদি জুপিটরনা চনখিবনি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা আই য়ু এফ সী সেকমাইনা কে এস ৱাই সী হিয়াংথাংবু লাকচনা ৬-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

সেকমাই টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এস রোবিনসননা ২ অদুগা কে অকাশ, সেখর, শিতল অমদি এন অশোককুমারনা অমমম্ চনখি।

## মণিপুর মারাথোন পাঙথোক্লগনি



ইম্ফাল,নভেম্বর ২৩(ঐচএনএস):

দি ৱাই এম ও ষ্টেট স্পোর্টস কম্মিটিনা শীন্দুনা ৬শুবা মেন্স ওপন দি ৱাই এম ও মণিপুর মারাথোন ২০২২ থা অসিগী ২৭তা পাঙথোক্লগনি।

ৱাফম অসি ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উনবা অমদা দি ৱাই এম ওগী সেক্রেটরি জাকিচান্দ এস এসনা ফোঙদোকখ্রে।

কিলোমিটর ৪২.৫ শাংবা লমশাং লমজেল অসি মোইরাংগী নরানসৈনাদগী হৌদুনা উরিপোক অচোম লৈকাইদা লোইশিনগনি। লমজেল অসিদা ঝরখন্দ, চান্দিগর, য়ু পি অমদি অসামদগী য়াওনা পুন্না লমজেল্লোয় ৪৫০না শরুক য়াগনি।

### খেলো ইন্দিয়া ৱিমেন্স ৱুশু লীগ (নোর্থ ইষ্ট জোন) হৌদোকখ্রে

## মণিপুরনা গোল্ড ১১ য়াওনা মেদল ২৮ লৌখ্রে






ইম্ফাল,নভেম্বর ২৩(ঐচএনএস):

মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা খেলো ইন্দিয়া ৱিমেন্স ৱুশু লীগ (নোর্থ ইষ্ট জোন) ঙসি সাইতাকয়েলগী ন্যু এম পি হোলদা হৌদোকখিবগা লোয়ননা মণিপুরনা অহৌবা নুমিৎতা গোল্ড ১১ য়াওনা পুন্না মেদল ২৮ লৌবা ঙমখ্রে।

গোল্ড মেদল ফংখ্রবা ষ্টেটকী শান্নরোয়শিং অদুদি জুনিয়র কাঙলুপ্তা লাংলেনতোম্বীনা ননক্কান, ওলিকানা তাইজিক্কান অমদি তাইজিজিয়ান, এন জি কাজলনা চংক্কান, কেরোলিনানা জিয়াঙ্সু অমদি কিয়াঙ্সু, জোনা প্রিন্সিনা তাইজিসিয়ান; সব-জুনিয়র কাঙলুপ্তা দাল্লিনা পেচিময়ুমনা চংক্কান, লিম্থোইঙম্বীনা তাইজিক্কান অমদি তাইজিজিয়ান, বৃটেন এমনা ননক্কান ইভেন্টতা ফংখি।

এন খৃষ্টিনা, টি সায়া চনু অমদি তোমথিনঙানবীনা জুনিয়র কাঙলুপ্তা অদুগা এল পিঙ্কি, কে ঐচ সুনিলা অমদি এন অথোইবীনা সব-জুনিয়র কাঙলুপ্তা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি।

ভেলেন্টিনা, জোনা প্রিন্সি, ৱাই গীতা, কেরোলিনা অমদি মালেমঙানবীনা জুনিয়র কাঙলুপ্তা অদুগা নোংমাইথেম নিহা, কে ঐচ সুমিলা অমদি এম প্রমেশ্বরীনা সব-জুনিয়র কাঙলুপ্তা ব্রোঞ্জ মেদলশিং ফংবা ঙমখি।

## হোক্কীগী ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,নভেম্বর ২৩(ঐচএনএস):

ওরিষ্যাগী ভুবনেশ্বরদা চহী অসিগী দিসেম্বর ২০দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা খেলো ইন্দিয়া য়ুঠ ক্বালিফায়র ২০২২দা ষ্টেট টিম রিপ্রজেন্ট তৌনবা অন্দর-১৮ নুপা অমদি নুপীগী ট্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ২৫গী অয়ূক পুং ৮দা খুমন লম্পাক হোক্কী টর্ফ ফিল্ডদা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর হোক্কীনা খঙহল্লক্লি।

মণিপুর হোক্কীদা এফিলিএট তৌবা দিষ্ট্রিক্ট য়ুনিটশিং অমদি ক্লব য়ুনিটশিংগী শরুক য়ানিংবা শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ২৫গী অয়ূক পুং ৭ তা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা মণিপুর হোক্কীগী ওফিসতা মশা-মশাগী ফুল কিটসকা লোয়ননা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি। ট্রায়ল য়াওগদবা শান্নরোয়শিং ২০০৪গী জন্যুৱারী ১দা নৎত্রগা মতুংদা পোকপা ওইগদবনি। শান্নরোয়শিংনা আধার কার্দ জেরোক্স কোপী অমদি পাসপোর্ট ফোটা ২গা লোয়নরক্লবসু খঙহল্লক্লি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 638**

WFM Amina Kairbekova (2132) - IM Fabian Fiorito (2380)
Titled Tuesday 20th Apr chess.com INT (6), 2021.04.20

1.e4 c5 2.Nf3 Nc6 3.d4 cxd4 4.Nxd4 g6
5.c4 Nf6 6.Nc3 d6 7.f3 Nxd4 8.Qxd4 Bg7
9.Be3 O-O 10.Qd2 a5 11.Na4 Nd7 12.Rc1 b6
13.b3 Bb7 14.Bd3 Nc5 15.Nc3 Bc6 16.O-O e6
17.Rfd1 Qe7 18.Bb1 Rfd8 19.Bg5 Bf6 20.Bxf6 Qxf6
21.Qd4 Qe7 22.Rd2 e5 23.Qe3 Rab8 24.Rcd1 Ne6
25.Ne2 b5 26.cxb5 Bxb5 27.Bd3 Bxd3 28.Rxd3 Nc5
29.Rd5 a4 30.bxa4 Nxa4 31.Nc3 Nxc3 32.Qxc3 Qa7+
33.Kh1 Qxa2 34.Qd3 Rb3 35.Qc4 Qa3 36.Qc7 Rbb8
37.h3 Qa6 38. ...

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 637 Ans. :**

30. ...Qg3+ The black queen deflects White's rook away from protecting the square f2. 31. Rxg3 hxg3+ 32. Kh1 Nf2#
30. ...Qg3+ 31. Kh1 Qxf3 32. gxf3 Nf2+
0-1



HL-P/4575/1-30/11

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com